ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, সেপ্টেম্বর ০৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৬৪শুবা মশীং

# টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসন তপমল্লি

## লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই

লৈবাকসিগী অৱাং নোংপোক্কী খম থেংবা চিদাইদা চীংলোন ৯না কোয়শিন্দুনা লৈরবসু চাইনাগী ৱুহান প্রোভিন্সতগী হৌরকখিবা মীওইবগী থৱায়বু হিংথৎ-থৎতুনা পুবা ঙম্বা নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) য়ৌশিল্লক্লে। ৱাফমসি অনৌবা নৎত্রে। মমাঙ চহীগী মার্চ থাগী অরোইবা শরুক্তগী ষ্টেটসিনা লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎলক্লিবনি। হায়রিবা থবকশিংসি হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা লৌখৎলক্লি। অদুবু অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংসি লৌখৎ-লৌখৎনা সেপ্টেম্বর ৬, ২০২১ ফাওবদা লায়নাসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৮০২ শুজিনখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিগী চপ চাবা অমসুং মখা তারকপা মরম ময়াম লৈরমগনি। কো-মোর্বিদিটিজশিং থোকহনবদগী লৈখিদবসু য়াওই। অদুবু পূম্নমক শুপচিন্না য়েংবদা লৈখিদ্রবা মীওই পূম্নমক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী লৈখিদবা ঙাক্তনি। লৈখিদ্রবশিং অসিগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাংশিং য়াওখ্রে, নুপীসু য়াওখ্রে। মসিগী মথক্তা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজগী হীদাকশিং কাপথোক্লবা মীওইশিংসু য়াওরে। অদুবু লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজগী হীদাকশিং কাপথোক্লবসু মখোয়গী মশাদা পোজিটিভ ওইবদগী কো-মোর্বিটিজনচিংবা থোকহনবদগী লৈখিদবা য়াওরগসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লায়নাসিবু মরূ ফংনা মুখৎপা ঙম্বা হীদাক লৈত্রি, পুথোক্ত্রি। হৌজিক্কী ওইনা লৈরিবা পাম্বে হায়ববু তমথীরবা লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক কাপকদৌরিবা, কাপ্লরিবা হীদাকশিং অসিনি। মসি ওইরগদি মণিপুরগী কোভিদ ভেক্সিন অসিবু কাপথোকপা য়ারবা চহী ১৮ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈরবা মীওইশিং অসি য়ারিবমখৈ থুনা অমসুং পন্থদনা প্রপ-প্রপ হীদাক কাপথোকহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইরোইদ্রা? হীদাক কাপথোক্লবা মীওইসু শিবা য়াওই হায়রগসু অমত্তা ঙাইরিবা পাম্বেসিদি শীজিন্নবা য়ারবা মীওইশিংদা শীজিন্নহৌবা চুম্লোইদ্রা? অদুবু সেপ্টেম্বর ৬, ২০২১ ফাওবদা ষ্টেটসিগী ওইনা অপূনবা হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং অসি লাখ ১৬ য়ৌদ্রি। ওইরিবা ফীভমসিদি নেসনল হেল্থ মিসনগী মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টরনা হীদাক কাপথোকপা য়ারবা মীওইশিংগী মশীং লাখ ১৯ মখায়রোমনি হায়খিবা অদু ফাওবা য়ৌদ্রি হায়বনি। অদুবু মসিবু করিগীনো? হৌজিকপু হীদাক কাপথোক্লবা মীগী মশীংবু অসিখক্তা ওইহনফম থোকপ্রা হায়বসিনি।

টেষ্ট তৌথোকপগী মশীংসু অদুম্মঙাই। হৌজিক ফাওবদা হীদাক কাপথোক্লবা মশীংদগী টেষ্ট তৌবগী মশীংনা অমুক্কসু হন্থরি। সেপ্টেম্বর ৬ ফাওবদা পূন্না টেষ্ট তৌরবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীং ১২,৩০,৬৩১ খক্তা ঙাইরি। মসিদি চুমদে, ওইহনফম থোক্তবা থৌদৌনি হায়নীংই। মরমদি থৱায় মাঙহনবা ঙম্লিবা লায়নাসিগী মতাংদা চপ চাবা, তাংদাংবা অমা খঙদোকপা হায়বসিদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা থবক লৈরমখিদ্রা? মসিনা জেনরেল পোপ্যুলেসন (মীচম মীয়াম) গী ওইবা ৱানি। অদুগা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদনা মাস টেষ্টিংগী থবক য়ূমথোঙ খুদিংগী ফাউবা লৌখৎখ্রগা ফংলিবা টার্গেট অসিদি পেন্নিংঙাই ওইদে হায়বনি। টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসনগী থবকসিদি মৌ অনৌবীনা কুইশিল্লক্লগা ৱাই তৈবা পিকশিল্লকই হায়বা অমসুং অয়ূক্কী লিক্লানা নুংশা থোরক্লগা তাকখিবা অদুগী ফীভমদুদা তাহল্লকপা চুম্লোই। থবক অনীসিদি লেপ্পু লেপত্রবদি থেবদগী থেঙ্গুনা লমজেল থোই হায়বদু তাহল্লকপসু চুমদে হায়বনি। পাঙ্গল-থৌনা হনখিনু। হীদাক কাপথোকপা য়ারবশিং শুনা কাপথোকউ। টেষ্টিং তৌবা য়ারবশিংসু তৌথোক্লবা থবক মঙম শালহল্লু হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫

১) ***"রাধা কৃষ্ণগী অচেৎপা ফোঙদোকপা"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) ***"লীশীং অমা শুপ্না মরিফুমরিগী মমা"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবা লাইরিকনি ***"লক্ষ্মীসিদা"*** হায়বসি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমদি অইবসি কনানো?

৪) ***"ঙমখৈ নাইদনা হাঙলবা/অহাঙবগী লামায়সে থন্না/ইরি অহাঙবগী শৈরেং,/শৈরেংগী ৱাহৈ অমমম্না/লীরি ফজবগী লোইনাইদ্রবা ৱারী।"*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) মঙাংগুরু পুন্সিবনা লূৱাং খুন্থিবগী মফমদা তাকপীখিবা ***"মীওইবগী পোকপা, শিবা অমদি শিরবা মতুংগী খোঙফম"*** গী অথুপ্পা মরোল খরা ইরিবা লাইরিক্তু করি লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৪২

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙদা শুমাং লীলাগা মীয়ামগা শন্নরিবগী মরমদা খরা ইজখ্রে। মদুগী মখা খরগা অমুক লাকচখিগে। মণিপুরগী শুমাং লীলানা খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংদগীনা মীওইবগী মরমচৎ, মপুন্সি, মহৌশা পূন্নমক্তা শোক্ল-শন্নদবা থোইনা লৈতে। শুমাং লীলাদি খুন্নাই অদুগী, মীয়ামগী মীহুলনি। অদুনা শুমাং লীলা শান্নরিবশিংনসু মীয়ামগী মীহুলদু মশক খঙনা মাগী লীলাদুদা হুলহন্নবা হোৎনৈ। তমজরিবা পাউ অসিনা শুমাং লীলাগী অচম্বা সোসল প্লেগী ওইবা মশক অদুনি। হিষ্টোরিকেল বেজ তৌবা, মিথোলোজি ওইবা, মহৌশাদগী হৌনা লীন-ঙাঙনরম্বা ৱারী পরিংগী লীলা মখল খরসু শান্নরকখি। মদুমক্তি ইশামক্তি কয়া শান্নখিদ্রে। অদুবু অঙাং ওইরিঙৈদদি য়াম্না য়েংলকখি। মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী পরিংগী লীলাশিং, মোইরাং পর্ব্ব- শামু খোঙয়েৎপা, লৈ লাংবা, লোই কাবা, লোই কুম্বা, কুঞ্জমলানচিংবা অদুদগী অমুক ইমোইনু, পিদোনু, নুরা শান্থলেম্বী, তাম্না, চরাইরোংবা, পুয়া মৈ থাবা, সাবিত্রি সৈত্যবান, রাজা হরিসচন্দ্র, হেমলেটনচিংবা লীলা মখল কয়া শান্নখিবা উহৌই। মতম অদুগী লীলাশিং অদুসু মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পাম্নখি। অহল লমনশিংনা ফুঙ্গা ৱারী ওইনা, লৈপুং ৱারী ওইনা অমদি নুংথিল পোবোবতা অহলশিংগী মশাদা ফুরি শিক্লা শিক্লা ৱারী লীহনবদা অসিগুম্বা মখল কয়াগী নাৎকা শাগোন্নবা ৱারী শিংবুন কয়া অসি লীবিরমখি। মদুগী ৱারী কয়া অদু নাকোংদা ঙংদুনা লৈরিঙৈগী তাঞ্জাদা অদুগুম্বা মখলগী লীলা অমা তৌদৌরি হায়বসিদি মশানা য়েংনীংবা তাবনি। অদুগা লীলাদুগী ফজবসি আর্টিষ্টশিং অদুগী হৈ-শিংবা, ঙাঙথোক-শকতোরকপদা, তমজনীংঙাই ওইবা, মথৌনা, মরিংজেল, মবুকচেল কয়াগী ৱারীশিং অদু লীলা ওইনা মীৎমাঙদা শং-শংনা শান্নরকপদা পেনখিদবা অমত্তা য়াওখিদে। লীলাদা কৈ থোরকপদা কিখিবা, নুংঙাইখিবা, কিনা-কিনা য়েংজবা, কৈ শাবদুগী মমৈনা থেংলম্বদা 'ইমা ইমা' হায়না লাউদুনা কিনখিবদুগী মনুংঙাই অদুবু হৌজিক ফংখিগদ্রা? মদুগী নুংশিবা অমদি নুংঙাইখিবা কয়া অদুগী মহাউ অদুনা মরম ওইদুনা ইশামক্লা থৌরাং লাংদুনা ঐগী পার্টিনা চহী তরেৎ খুন্তাকপা হায়বা শুমাং লীলা অমদি শান্নরম্মী। মদুনা কুইনা লেপ্লুরবা মতুংদা অনৌবা মতমগী শুমাং লীলাগী য়াওন্দা শান্নবা হিষ্টোরিকেল প্লে ওইখিবনি। মীয়াম্নসু অদুমক শোন্নখিবা লীলাদি ওইখি। অদুবু মীয়াম হেক হুপনা লীলাদু পাম্নখিব্রা হায়বদুদি ৱাহং ওইখি।

শুমাং লীলাসিদি মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পাম্নখ্রে। মতমদুগী মীয়াম পূন্নমকশিং অসি থবক শুবদা হালেংবা নত্তে। য়ূম খুদিংগী ইঙ্খোল কোয়। মতম মতমগী মহৈ-মরোংশিং থাই। অদুনা অয়াম্বা ইমুংশিংনা দুকান্দগী হৱাই-চেঙৱাই, থাও-থুম খরা নত্তনা অয়াম্বা এঙ্খাং চানবদি লৈনরমদে। ময়ূম ময়ূমদা মতম মতমগী ওইবা মনা-মশিং লোইনমক ফংনরম্মী। অদুনা ৱানা থবক শুজরিবা লমদমসিগী মীয়াম্না নুমিদাংদা ঙাইহাক পোত্থাবদা শুমাং লীলা অমা য়েংবসি য়াম্না মতেং ওইনখি। অদুনা লীলা য়েংবদা অঙাং-অহল, নুপী-নুপা, ইমুং-মনুং হায়বা অমত্তা খাক্তনা পূন্না পূন্না য়েংমিন্নবগী চৎনবী লৈরমখি। মদু হৌজিকসু হোংদ্রি। মতমদুদা মীয়াম্না ফংজখিবা ৱাখল হকচাংগী পোত্থাবা অদু মমল নাইখিদে। অদুনবু শুমাং লীলা হায়বসি মীয়ামগী থৱায়নি হায়নরম্মীবনি। অতৈ মখল অমততগী হরাও কুম্মৈনা শুমাং লীলাবু নমথবা ঙমখিদে। তৌবগীসু মতমদুদা মীয়ামগী পূক্নিং খোনবা ঙম্বা হরাও কুম্মৈ মখল অমত্তা লৈখিদে। পেনা ফমশক, খোংজোম পর্ব্ব, খরা অসি নত্তনা। অদুবু হায়রিবা ময়াম অদুদগীদি শুমাং লীলা অসিনা হেন্না মশক থোকপা হেনবগা লোয়ননা, মীয়াম্না পাম্নবা হেল্লকখি।

শুমাং লীলাগী খোঙচৎ অসি তাঙ্কক কয়া থোক্লা খাইদোক্লবসু, অপূনবা ওইনা য়েংবদা, মীয়ামগী মরক্তা মতিং লৈনা শান্নরকপসি নাইন্টিন নাইন্টিজগী মতম অসিনি। মসিগী মতুংদদি শুমাং লীলাগী হান্না লৈরম্বা দাইলোগ লীলা হায়বদুগী মশক অসি তপ্না তপ্না মাঙশিল্লকখি। ঈশৈ লীলানা মহুৎ শিল্লকখি। ধোলোক অমা কর্টান মচা অমনা ম্যুজিক ওইনা শীজিন্নরম্বা অদু ইলেক্ট্রোনিক ম্যুজিকশিংনা মহুৎ শিল্লকখি। মশীং য়াম্না লৈরম্বা শুমাং লীলা লূপ মশীং হন্থরকখি। অহল লমন কয়া য়ূমদা তূমিন্না লৈনরকখি। কুমজা ২০০০ য়ৌরকপদদি শুমাং লীলাগী মশকসু ফনা নিংথিনা হোংলকখি। অনৌবা মখলগী ফিজেৎ, অনৌবা ৱারী, অনৌবা ৱাখল্লোন, খুন্নাইগী মমি খুদিংমক শুমাং লীলাদা তারকখি। মসিসু খোঙচৎ অমনি। মসিগী খোঙচৎ অসি হৌজিকসু লেপত্রি, লেপ্তুনা চত্থরি। শুমাং লীলানা মশক হোংলক্লে হায়রিবা অসি অতৈনা নত্তে, খুন্নাইনা হোংলকপনা হোংলক্লিবনি। শুমাং লীলাদি হোংদে। মহাক্কী মপান্থোংগী ওইবা মশক খরা মীয়ামগা তোৎশিন্নবা য়ানবগীদমক হোংবনি। মসিগী মরম হায়ববু, হৌজিক্কী মতম অসিগা মমাঙঙৈগী মতম অদুগা খেন্নরক্লিবা অসিনি হায়না খুদোনবী থিনবা তাই। মণিপুরদা টেলিভিজন থোরকখিবসি কুমজা ১৯৮৪ অদুৱাইদা ওইরমগনি হায়না খল্লি। ইন্দিয়াদা ১৯৮২দা এসিয়ন গেমস পাঙথোকখিবা মতম অদুদা মীয়ামদা টেলিভিজনগী খূত্থাংদা গেম অদু য়েংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী শরুক অমা ওইনা টেলিভিজন হায়বা অসি মণিপুর য়ৌরকখিবনি। মদুগী মমাঙদা টেলিভিজন করিনো হায়বা তারবসু খঙলমদে, উরমদে। গেম অদু লোইখ্রবা মতুংদা দুর্দশনগী খূত্থাংদা মখল কয়াগী থৌরমশিং মীয়ামদা লেপ্তুনা শন্দোরকখ্রে। সেরিএল প্লে, সিনেমা, মখল কয়াগী ঈশৈশিং (ফোক, ত্রেদিসন, মোদর্ন, ফিল্ম সোং), ইন্টরভিয়ু, দিভেলপমেন্টকী ওইবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংনচিংবা শুংলেপ লেপ্তুনা শন্দোরকপা অসিনা মীয়ামগী পূক্নিংদসু হেন্না নুংঙাইবা অমদি অহোংবা কয়া তপ্না তপ্না পুরকখিবনি। অদুগুম্বা অহোংবা কয়া অদুনা হান্না লৈজরম্বা শুমাং লীলাগী ঈংজ-তপচবা কয়া অদুদসু থেংলকখিবনি। অদুনা অপিকপা অঙাংশিংনা ফাওবা সেরিএল প্লে য়েংলুবদগী হিন্দি ঙাঙবা হৈরকখি। অনৌ অনৌবা ফিজেৎ কয়া উরকই। ঐখোয়গী ইচম চম্বা ফিজেৎ অসি য়েংনীংলকখিদে। অরং-অরাক কয়াদা মীৎয়েং থম্নরকখি। অসুম্না ৱারীদসু, লীলাগী মপুথোক্তসু হোংদবা য়ারকখিদে। অসিগুম্বা অহোংবা কয়াশিং অসিনা মরম ওইদুনা শুমাং লীলাদসু তপ্না তপ্না হোংলকখি। ঈশৈসু অদু মঙাই। হান্নগী লৈজরম্বা মশক্তগী অনৌবা ঈশৈ শৈদা অমা পুশিল্লকখিবসি টেলিভিজন অসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক অমা ওইখিবনি। মীৎথক কুম্মৈ কয়ানা মীৎ থুপহল্লবা ঐখোয়গী মীয়ামগী ৱাখলসু হোংলকখি। অনৌবা মায়কৈ অমা পাল্লকখি। পাল্লিবা মায়কৈ অদু শুমাং লীলানা থি থিদুনা মহাক্কী মশকসু হোংদবা য়াদদুনা হোংলকখিবনি হায়না লৌবসু য়াই।

লুরিবদি হৌজিক ওইরিবা শুমাং লীলা অসিদা, মীয়ামগী পূক্নিংদমক য়েংখিবা, খঙনবা হোৎনখিবা, অদুগা ঐখোয়গী কলচরগী মশকপুদি খজিক্তং লাপথোকখিবা মানবা অমগী অৱাবা অমদি থেংনরি। মসি হৌজিক মতম লৈরি। ঐখোয়না ঐখোয়গী কলচরবুদি থৈদোকফদে। কলচরনিদি হায়রগা, অকূপ্পা কাঙলোন কয়া অদু মুন্না খঙনবা হোৎনবা অমদি হ্যুমেন সাইকোলোজিসু খঙনবা থিবা মদুগী মরক্তা পর্ফোর্মেন্স অমনা কদায় ফাওবা তৌবা য়াবা অমদি য়াদবা অদু য়েংবা মথৌ তারকই। মীনা নুংঙাইনবনি, য়ানবনি হায়দুনবু ঐনা খনবা খরখক্লা পংতৌ তৌবা য়াবরা, ঐনা তৌবদা মীনা য়ারে হায়দুনা হেক্তা তৌশিল্লবদি, খুন্নাই অসিগী লৈজরম্বা চৎনবীবু খোঙ্গাওনবনি হায়বা য়ারোইদরা? মসিগুম্বা কয়া অসিদি ঐখোয়না য়াম্না চেকশিন্না য়েংগদবনি। ইচানি, ইশুনি হায়দুনসু ঐনা হায়বা য়াদে হায়না খোঙনা পংকাওদা হেক কাওবা, নাতৈ ৱায়োং চাদনা হায়রোইদবা কয়া হেক হায়জিনবা অসিসু পর্ফোর্মেন্স অমগী মতিক ময়াই অদু হন্থহন্নবগী মরম ওইরক্তবা নত্তে। অদুনা ঐখোয়না পর্ফোর্মেন্স অমা তৌবদা হায়বা য়াবা, তৌবা য়াবা করিনো, করিনা য়াদবগে হায়না খনবা মথৌ তাই। য়াদে হায়না খূৎ পায়দুনা থিংবদি থোরক্তবা য়াই অদুবু, তৌরিবা অদুনা পীরিবা পাউজেল অদুদি অয়েংবশিংদা লান্না ৱাহন্থোক পীখ্রগদি মদু লাইবক থীবা হায়বদু শোয়দনা তাগনি হায়বা ৱাফম অসিসু নৈনবা মতম থিল্লে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৭৮

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ১৪, ২০১০ ইং :-** ঙরাংদগী চত্থরকপা ৯শুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৭শুবা সেসন ঙসি লোইশিনখ্রে। লোয়ননা গুইতে রোদ বি আর ওদা শিন্নবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈঙাক্লা চুড়াচান্দপুরগা মিজোরামগা শম্নবা য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবা গুইতে রোদকী মতাংদা মিরাইবা অমত্তা লৈতে। এন ঈ সীগী অপিকপা শেনফম অসিনা লম্বী অসি বি আর ওনা পায়বীয়ু হায়বা য়াগদবা মান্দে। অদুবু করিগুম্বা বি আর ওনা য়ারক্লবদি শিন্নগনি।

এম এল এ, টি হঙ্খনপাও অমসুং ভি হঙ্খলিয়ান্না পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, সিংহাৎ শিংজোল হায়না খঙনবা গুইতে রোদ অসিগীদমক কুমজা ২০০৫দা অহানবা ফেজ ওইনা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী শেন্থং মখাদা লুপা কোটি ৮২.৫১ সেঙ্কসন তৌখি। মসিগী মনুংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা লুপা কোটি ৩২গী রেতেনিং ৱাল অমসুং কলভর্ট শেম্বগী থবক হৌখ্রে। লেমহৌরিবা লুপা কোটি ৫০ অসিনা বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসন্না লম্বী অসি শেমগে হায়রবদি থবক অদু শিন্নবদা লৈঙাক অসিনা করিসু য়েৎকদবা লৈতে।

বি আর ওনা চহী ৩০গী মমাঙদগী মাওদগী মরাম ফাওবা কিলোমিটর ২৩গী লম্বী শেম্বা হৌখি। হৌজিক্তি মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা হায়জবদগী ষ্টেট লৈঙাক্তা শিন্নখ্রে। বি আর ওগীদি পি দব্লিয়ু দিনা শেম্বা ইষ্টিমেট য়াদে। মখোয়না তোঙান্না শাজগদবনি। কুমজা ২০০৫দা এন ঈ সীনা সেঙ্কসন তৌখিবা শেনফম অদু মতম অদুগী অরিবা মমলদনি। অদুবু হৌজিক ইনৌ নৌনা শিন্নবা তারবদি অনৌবা দি পি আর অমা শেম্বা মথৌ তাই। মদুদা লৈঙাক অসিনা লৈরিবা শেনফমগা চান্নগনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এম এল এ অনী, প্রোটেষ্ট তৌরিবা মীয়াম অদু পূন্না ৱারী শানবা চুমই। করিগুম্বা শেনফম অদুদা বি আর ওনা থবক অসি পায়খৎকে হায়রবদি লৈঙাক্লা করিসু অকায়বা পীরোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোল্লিং এটেন্সন অদুগী পাউখুমদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর কে রঞ্জিৎনা হায়খি, জৌমী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না পীরকখিবা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না গুইতে রোদকী থবক থৌরমশিং বি আর ওদা শিন্ননবা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। চীফ মিনিষ্টর অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা বি আর ওগী ওথোরিটিদা খঙহনবসু লৈখ্রে। অদুবু মতম অদুদা মখোয়গী ম্যেন পৱার লৈতে। অহেনবা থবক কয়া তৌগদবা লৈ হায়দুনা খঙহল্লকখি।

চুড়াচান্দপুরদগী তুইবাই ফাওবগী লম্বীগী অশাংবা অসি কিলোমিটর ১৬০নি। লম্বী অসি শেমগৎনবা ষ্টেট লৈঙাক্তা সিক্যুরিটি পীবীনবা হায়জবা ৱাফম লৈখি। বি আর ওদা লম্বী অসি শিন্নবা তারবদি নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট পীবা মথৌ তাই। মরমদি এন ঈ সীগী শেন্থং অসি লোইদ্রি ফাওবদি টেক্নিকেলগী খুদোংচাদবা কয়া লৈ। বি আর ওনা থবক অসি লৌবা তারবসু হায়রিবা চহী অদুমক্তদা হৌবা য়ারোই। মখোয়গীদি চহী ২/৩দি থবক তৌবা য়ারোই। সর্ভে ৱার্ক অমা হান্না তৌই। হায়রিবা ৱাফম অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরী লৈনবা এম এল এ অনীনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। মরমদি এন ঈ সীগী শেনফম অসি কুমজা ২০১১গী মার্চ ৩১দা লোইশিনগদবনি। মসি লোইখ্রবা মতুংদা মথংগী থবক হাপচিন্দুনা বি আর ওদা শিন্নবা চুমগনি।

**জন্যুৱারী ১৪, ২০১০ ইং :-** ঙরাং নুমিদাং সিংতম খুনৌদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা জেদ আর এনি হায়বা অনী শিরে। অমরোমদা, খোর্দ্দাক এরিয়াদা ওপরেসন চত্থবদা হি লাকপদগী শোয়দুনা কাপথোরকপা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা অসাম রাইফলস পর্সনেল অমা ফীভম লুনা শোক্লে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সিংতম খুনৌদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা জেদ আর এনি হায়বা মীওই অনী শিরে। শিরবা অনী অদুদি থাংমিলুন এলিয়জ টাইগর (৩০) অপোকপগী মিং খুপলৈমাং, সঙাইকোট অমসুং কাংজামোন এলিয়জ মার্ক (২২) অপোকপগী মিং লিংয়াংলুন, গৌচুনখুপ ভেংনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ফোর্মেল ওইনা রিপোর্ট তৌরক্তবনা পুলিসনা কেস লৌখৎপদি লৈত্রি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

অমরোমদা, কৈবুল লমজাউ নেসনল পার্ককী শরুক অমা ওইরিবা খোর্দ্দাক এরিয়াদা ওপরেসন চত্থনবা হি তোংদুনা চঙলুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল অমা মহাক্লা তোংলিবা হি অদু লাকপদগী শোয়দুনা কাপথোরকপা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা ফীভম লুনা শোক্লে হায়রি।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী ৯৯শুবা এ পি ওগী মখাদা লৈবা ৩৩শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ককী শরুক অমা ওইরিবা খোর্দ্দাক এরিয়া কোয়শিন্দুনা থল্লবা মতুংদা ওপরেসন অদু চত্থিখিবনি হায়রি।

অসাম রাইফলস পর্সনেলশিং তোংবা হি অমা অয়ূক পুং ১১ রোম তাবদা লাক্তুনা (হি লাকপা) মখোয় মশেল মরক্তগী শোয়দুনা কাপথোরকপা মরূনা পর্সনেল অমা কোক্তা পান্দুনা শোকখি। অশোকপদু খুদক্তা আর্মিগী হেলিকোপ্টরনা থৌদোক থোকফমদগী ইম্ফালগী কংলাদা পুরক্লগা শিজ হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। মমিংনা য়ূম্নাম রাজু (২৪) কৌই। থাঙ্গদা লৈবা ৩৩শুবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টতা পোষ্টিং লৈবনি। মহাক্কী কোক্তা পানবা মরূ অদু ওপরেসন তৌরগা লৌথোকখ্রে। অদুবু মহাক্কী ফীভমদি অদুম্মক লুনা লৈরি হায়রি।

হি লাক্তুনা নোংমৈ কাপথোরকপগী মখোলদুদা অতোপ্পা মায়কৈদা লৈবা অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনসু অন্দরগ্রাউন্দশিংনা নোংমৈ কাপ্লক্লবোই নীংদুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামুক কাপথোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

মরকসিদা, ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো, ৪/৮ জি আর অমসুং ১৬শুবা মরাথা লাইট ইনফেন্ত্রিগী অপূনবা খূৎপু অমনা নিংথৌখোং অমসুং মোইরাংগী এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা কে সী পি এম সী (লময়ানবা খুমন) গী নুপা অমগা নুপী অমগা ফারে হায়রি।

ফারবশিং অদুদি হেনাম সোমেন (২৭) অপোকপগী মিং হোংবা, মোইরাং বজার অমসুং খুন্দ্রাকপম ওংবী ইবেমচা (৩৭) মপুরোইবগী মিং রধামোহোন, নিংথৌখোং রাধা মান্দপ লৈকায়নি হায়রি। ঐচ সোমেনদগী জর্ম্মননা শাবা বরেতা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূ মঙা ফংই হায়রি।

মখোয় অনী ত্রোংলাউবী তেরাখোংশাংবী গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান, লমাবম তোমচৌ ফাবদা চেন্নবনি হায়না পুলিসনা হায়রি।

চৈরকসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২৬শুবা অসাম রাইফলসনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা কৈশামথোং থোং মনাক্তগী প্রিপাক্কী খুমল্লম্বম ইবোমচা এলিয়জ জয় (৩৯) অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা বিজয় কৌবা কোংবা মখা লৈকায়দগী মীওই অমা ফারে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিনিয়র এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি।

নুংথিল পুং ২.৫০ রোম তাবদসু কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দগী এন এস সী এন (কে) গী মীওই অমা দিমান্দ লেট্টর ২৫গা কোন্ননা ফারে। মমিংনা কসুম সংশং এরিয়জ রিসন (৩৮) অপোকপগী মিং কে অকান কৌই, উখ্রুলদগীনি হায়না সিনিয়র এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**জন্যুৱারী ১৪, ২০১০ ইং :-** মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বরশিংগী প্রজেন্ট ষ্টেটস লেপত্রি হায়না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা এম এল এ, আর কে আনন্দনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মেম্বরশিংগী ষ্টেটসকী মতাংদা ষ্টেট কেবিনেটতা খন্নখ্রে। অথুবা মতমদা ওর্দর থোক্লবা খন্নরি। কম্মিসন অসিগী ওফিসর অমসুং ষ্টাফশিংগী ফম পীথোকপা তৌদ্রি। মেম্বর অমদি ওনরেরিয়ম ওইনা থা অমদা লুপা ১৬,০০০ পীরি। অদুবু হান্না লৈঙাক্কী থবক তৌরম্বদগী পেন্সন ফংলিবা ওইরগনা পেন্সন অদু খাইদোক্লগা ফংগনি। চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক লো দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি অমা, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টতগী ষ্টেনোগ্রাফর অনী, হেদ ক্লার্ক অমা, এল দি সী অমা, দ্রাইভর অনী অমসুং ষ্টেট একাদেমিদগী গ্রেদ ফোর মরি থমদুনা কম্মিসনগী ফঙ্কসন নিংথিনা তৌনবা হোৎনরি। কম্মিসন অসিগী ওইবা ওফিসর অমসুং ষ্টাফশিংগী ফমশিং ক্রিএসন অমত্তা তৌবা লৈত্রি। হ্যুমেন রাইটস মেম্বরগী রেঙ্ক অসি করম্বা থাক্তা থমগদগে হায়বগী মতাংদা লো দিপার্টমেন্টকা খন্নরি।

চীফ মিনিষ্টরগী পাউখুম তারবা মতুংদা আর কে আনন্দনা, চহী ১০ রোমসিদা ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ষ্টাফশিংদা মিৎয়েং অমত্তা চঙবীদে, বিল্ডিংসু ৱাইদুনা শীজিন্নে হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

ফুংয়ার এ সীগী এম এল এ, ৱুংনাওশং কৈশিংনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্লা নৌনা হায়র সেকেন্দরি ৯ অপগ্রেদ তৌখ্রে। হায়রিবা স্কুলশিং অসিদা হাংদুনা লৈরিবা প্রিন্সিপাল অমসুং ভাইস প্রিন্সিপালগী ফমশিংগীদমক অথুবা মতমদা রি এলোকেসন তৌরগনি, অপগ্রেদ তৌরিবা হায়র সেকেন্দরিশিং অসিদা হাঙদুনা লৈরিবা ফমশিং মেনশিন্নবা লৈঙাক্লা চপ চানা খঙদোকপা লোইরে। স্কুলশিং অসিদা মণিপুরী সবজেক্ট হাপচিন্নবসু হোৎনরগনি।

মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা কুমজা ২০০৫গী জন্যুৱারী ১দগী ২০০৯গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা রেজিষ্টর তৌরবা কেস কয়ানো হায়না উরিপোক এ সীগী এম এল এ, এন নন্দকুমারনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, মতম অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতা পূন্না কেস ৩৭৪৬ রেজিষ্টর তৌখি। মসিগী মনুংদা কেস ১৭৮৩না এফ আর তৌই, কেস ১৮৫না চার্জশীট থাঙ্গৎখ্রে।লোয়ননা কেস ৪৫৭না ইনভেষ্টিগেসন তৌরি। বিষ্ণুপুরদা অপূনবা কেস ২২০৯গী মনুংদা কেস ৫২ চার্জশীট তৌখ্রে। কেস ১৯৮৯না এফ আর হনখ্রে। কেস ১৯৬৮না ইনভেষ্টিগেসন তৌরি। লোয়ননা থৌবালগী অপূনবা কেস ৩৪৭৩ রেজিষ্টর তৌবগী মনুংদা কেস ১৫ চার্জশীট থাগৎখ্রে। কেস ৫৫৬না এফ আর তৌখ্রে অমসুং কেস ৩০০২না ইনভেষ্টিগেসন তৌরি হায়খি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।